# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 31-08-2024)**

**রেল্লি(এল)ঃ** মনিপুর সরকারনা হায়রি-রাজ্য অসিগী শান্তি রক্সাগী ফিভমদা অকায়বা পীরকপা মীওইশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎকনি ।

সরকারগী চেরোল অমনা হায়-ঙসি কাংপোকপী য়াওনা চাংগী জিলা খরদা লুপ খরনা সটদাউন্দ লাউথোক্তুনা মীয়ামগী রেল্লি চৎকনি হায়রিবা অসি সরকারনা হকচিন্না লৌই। নুমিৎ অসিদা মীয়ামনা মহৌশাগুম কৈথেল, দুকানশিং, সরকার অমসুং লন্নাই লোয়শঙশিং হাংদোক্তুনা থবক তৌবীনবা হায়রি।

জোমী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন অমদি কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসননা তোঙান তোঙানবা চেরোলশিং থোক্তুনা ঙসি সটদাউন্দ তৌদুনা মীয়ামগী রেল্লি চৎকনি হায়বগী রিপোর্ট ফংলে। হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা সটদাউন্দ লাউথোক্তুনা মীয়ামগী রেল্লি চৎপা হায়বসিনা রাজ্য অসিগী শান্তি রক্সাগী ফিভমদা অকায়বা পীরকপা য়াবনা হায়রিবা লুপশিং অসিনা থোকখিবা চেরোলশিং অসি সরকারনা হকচিন্না লৌই।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়-রেল্লি অসি চৎহনদনবা অমদি পামদবা থৌদোকশিং থোরকপা থিংনবা সরকারনা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে। শান্তি রক্সাগী ফিভমদা অকায়বা পীরকপা মীওইশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎকনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** রাজ্যপাল-লক্সন প্রসাদ অচ্যারিয়ানা ঙরাং মোরেদা চৎতুনা ভারত-ম্যান্মার অন্তরজাতিগী ঙমখৈ পরিংদা লৌখৎলিবা ঙাকশেলগী ফিভম কুপা য়েংশিনখ্রে। খোঙচৎ অদুদা অসাম রাইফলসকী টৌইন্তি সিক্স সেক্তরগী কম্মান দর-ব্রিগেদিয়ার-ভেটপালনা ঙমখৈ পরিং অমদি মোরেদা অসাম রাইফলসনা

লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংগী মতাংদা রাজ্যপালদা পাউদমখি। মোরেদা লৈবা মঙাশুবা অসাম রাইফলস বটালিয়নদা পাঙথোকখিবা ঙাকশেলগা মরী লৈনবা মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা জিলা থাক্কী ওফিসিএলশিংসু শরুক য়াখি। রাজ্যপালনা জিলা অদুদা লৈরিবা মীচম মীয়ামদা খুদোংথিবা থোক্তনবা ঙাকশেলগী থবক লৌখৎনবসু অসাম রাইফলসতা খঙহন্নখি।

তুংদা, লক্ষন প্রসাদ অচ্যারিয়ানা মোরেগী সি.এস.ওশিংগী লুচিংবশিংগসু উন্নদুনা মখোয়না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদসু খন্নখি। মহাকা অথুবা মতমদা রাজ্য অসিদা শান্তি পুরকবা খোঙথাং লৌখৎকনি হায়বগী থাজবসু পীখি। খোঙচৎ অদুদা রাজ্যপালনা ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা শন্বল খারিবা অদুসু য়েংশিনখি। মহাকা মোরে হয়ার সেকেন্দরি স্কুল অমসং মঙাশুবা অসাম রাইফলসকী বটালিয়ন হেদক্কাটরসতা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিংসু খুৎশিন্নখি।

**কেবিনেট (এল)ঃ** রাজ্যগী মন্ত্রি-মন্দলগী ঙরাং ফমখিবা মীফমদা মনিপুর টিচর এদুকেটর সার্ভিস রুলস ২০২৪ শেম্বদা অয়াবা পীখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রিগী বঙ্গলোদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা দাইট লিংখৎনবা এস.সি.ই.আর.টিগী দাইরেক্তোরেটকী লম পীবদসু অয়াবা পীখ্রে। মোরেগী প্রাইমারি হেলথ সেন্টর অমসুং সব-দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল শানবসু মন্ত্রি-মন্দলগী মীফমদা ৱারেপ লৌখি।

রাজ্যগী চীফ মিনিস্তরস ওন্টরপ্রেন্যুয়রসিপ সপোর্ট স্কিমগী চৎন-কাংলোন শেমদোকপগা লোয়ননা মায় পাক্লবা স্তার্টঅপশিংদা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংদা শেন্থোক লৈনবা থবক পীহন্নবা অখন্নবা পেকেজ হাপচিনবদা য়ান্নখি। মসিগা লোয়ননা চিফ মিনিস্তর ফার্মরস লাইলিহুদ সপ্পোর্ট স্কিমগী চৎন-কাঙলোনসু শেমদোকবা ৱারেপ লৌখি।

মুখ্য মন্ত্রিনা ঙরাং সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা তোঙান

তোঙানবা বিভাগকী পুন্না এজেন্দা ২৩ পুথোক্কুনা খন্নখি।

**দিংগো (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ৱাঙ্গোই অমসুং ময়াং ইম্ফাল কেন্দ্রগী ঙামীশিংনা শিজিন্ননবা হপ্পা অমসুং লাংশিং রাজ্য সরকারনা ঙামীশিংদা খুৎশিন্নখ্রে।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়-রাজ্য অসিগী লৌমীশিংনা হন্দক্কী ঈচাও অসিনা মাঙ তাকহনখিবা অদুদা মায়োকরিবা অৱাবশিং অদুগী তেংবাং ওইনা থৌরাংশিং অসি লৌখৎলকপনি। সোসিএল ৱেলফিয়ার অমসুং ফিসরিজ মন্ত্রি-হৈখাম দিংগোগী লমজিং মখাদা ফিসরিজ বিভাগনা ঙামী ১২৬ তা হপ্পা অমসুং লাংশিং অদু ঙরাং খুৎশিন্নখিবনি।

**থৌবাল (এল)ঃ** থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতিনা লিগেল এদ ক্লিনিক-হৈরোক অমসুং হৈরোক অপুনবা ক্লবকা পুন্না খুৎশমদ্না নোংমগী ওইবা আইনগী লমদা মীয়াম পুন্না খঙমীন্নবগী থৌরম অমা ঙরাং হৈরোক পার্ট টুদা পাঙথোকখ্রে।

মনিপুর ষ্টেট লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতিগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা হৈরোক্কী তোঙান তোঙানবা ক্লবশিংদগী লাকপা মীহুৎশিং অমসুং মৈরা পায়বী পন্না মীওই ১০০ রোমা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

**খুৎলায় (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা মনিপুরগী চিং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা মহৌশাগী ফিভমদা পুরকবা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্পা লৈতনা চত্থরি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা কাংপোকপী জিলাগী ইকৌ মুলামদগী থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা খুৎলায় কয়া ফাগৎলে। খুৎলায়শিং অদুদি-বোল্ট এক্সন রাইফল অমা, ইমপ্রোভাইজ প্রোজেক্টাইল লোঞ্চর অমা, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ৮,

ইমপ্রোভাইজ মোটার অমা, লাইফ প্রোজেক্টতাইল অনি, টুয়েল্ভ ইঞ্চ লাইফ কারটিজ অমা অমসুং পোকখায়বা য়াবা মচাক মথুমশিং য়াওরি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্টকী চাংশঙ চীংদগী সিঙ্গল বেরেল অমা, পোইন্ট টু টু পি-থারটিসভেন মেগজিন অমা, পোমপী তরুক, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ১৫, ডব্লিয়ু পি স্মোগ গ্রেনেদ অহুম, টিয়ার স্মোগ সেল অনি, রেদিও সেট অহুম, ট্যুব লোঞ্চিং অনি অমসুং দিটোনেটর অমা য়াওনা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাগৎখ্রে।

মনিপুর পুলিসনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমফেলদগী কে.সি.পি. (তাইবংঙানবা) গী কাদর অমা ফারে। মঙোন্দগী গাড়ি অমা য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়াসু ফাগৎখি। ফারবা মাওই অদু মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীশকনি হায়রি। মখা তানা থিজিন্নবগীদমক কেস অমা রেজিস্তার তৌখ্রে।

**ভারত লান্মীঃ** ভারত লান্মীনা প্রোজেক্ট নামনগী অহানবা ফেজ ঙরাং হৌদোকখ্রে।

প্রোজেক্ট অসিনা দিফেন্স পেন্সনরশিং, ভেটেরান অমসুং মখোয়গী ইমুং মনুংদা তেংবাং কয়া পীরগনি। প্রোজেক্ট অসিগী অহানবা তাঙ্কক্তা ন্যু দিল্লি, ঝলন্ধর, অহমদবাদ, বেঙ্গলোর, লক্ষনৌ, সিকন্দরবার্দ, ঝাঞ্চিনচিংবা মফমশিংদা কম্মন সার্ভির্সেস সেন্টর ১৪ লিংখৎখ্রে। প্রোজেক্ট অসিনা লাক্কদৌরিবা চহি অনি অহুম অসিদা লৈবাক অসিদা পুন্না সেন্টর ২০০ রোম হাংদোকবা পান্দম থল্লি।

**য়ুপিঃ** উত্তর প্রদেসতা ইন্দষ্ট্রিজবু হেন্না খুমাং চাউশিলহন্নবা পান্দমদা ঝান্সিদগী কানপুর ফাওবগী মরক্তা ইন্দষ্ট্রিয়েল সিটি অমা লিংলগনি হায়রি।

ঙরাং লক্ষনৌদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রি-যোগী অদিত্যনাথনা হায়-সহর অসিদা অখন্নবা হয়ারপোর্ট অমসু থল্লগনি। মহাকা

হায়-য়ু.পি. অসি হৌজিক্তি ইনভেষ্টর কয়ানা শেল থাদুনা থবক তৌনিংবা মফম অমা ওইরক্লে। মহাক্কী সরকারনা মফম অসিদা থবক তৌনিংবা ইনভেষ্টরশিংবু মতেং পাংনবা শেম শাদুনা লৈ।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ষ্টেট কেবিনেট মীফমনা তোঙান তোঙানবা এজেন্দ কয়া পুথোক্তুনা খন্নখিবা, কুকিশিংগী ঙসি চৎকদৌরিবা মাস রেল্লিগীদমক লৈঙাকা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখিবা অমসুং থা তরুক্কী মনুংদা মপুং ফানা শান্তি লাক্লনি হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱাফমনা ঙসি ফোংনরিবা পাউ-চে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংবা থেংনরে।

থা তরুক্কী মনুংদা মনিপুরগী ইরাং লোয়শিল্লগনি, পোপ্পী থাবা থিংলুবগীরা ফম থাদোকউ হায়রিবসে হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা পাউ-চে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পোকফমদা-থা তরুক্কী মনুংদা মপুং ফানা শান্তি লাক্লগনি, রিজাইন্দসু তৌরোই, পি.এম. লাকপগীসু মথৌ তাদে হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

কুকিশিংগী মাস রেল্লি-লৈঙাকা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে, রেল্লিগী মায়োক্তা শিন্থা লেপ্তুনা খোঙজং চংশিনগদৌরি হায়বা পাউনা ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পি.এমনা তুমিন লৈবা মনিপুরগী দিসওর্দরবু নোর্মেল ওইনা উহন্নবনি হায়বা এম.পি. বিমোলগী ৱাফমনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

কুকিশিংগী রেল্লি মনিপুরগী নাগা দিষ্ট্রিক্টশিংদা চৎপা থিংখ্রে, নিউ দিল্লিগী

জন্তর মন্তরদা কুকি-জোগী রেল্লি পাঙথোকবা পার্মিট পীরম্বদু দিল্লি পুলিসনা ককথৎখ্রে হায়বা বেন্নর হেদলাইন অসিগা লোয়ননা হোম দিপার্টমেন্টনা প্রিক্কেসনরি মেজর ইশু তৌখ্রে, সরকারগী লোইশঙশিং থোং লোনবা য়ারোই-উখ্রুল, কামজোং, তমেংলোং, নোনে অমসুং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা কুকিগী রেল্লি চৎপা থিংখ্রে অমসুং রেল্লি থিংনবা মনিপুরি মীতৈ এসোসিয়েসন-বেঙ্গলোরনা হোম মিনিস্তরদা তকশিনখ্রে হায়বা পাউশিংনা মনিপুর ন্যূজগী অহানবা পাড ওইরি।

হুইয়েন লানপাউদা-ষ্টেট কেবিনেট মীফমনা প্রাইবেট হোস্পিতালশিংদা সি.এম. ঐচ.টি. কার্ড চৎনহন্দনবা ৱারেপ লৌখিবগী পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ অসি অতৈ পাউ-চেশিংদসু ফোংবা থেংনরে।

লফোই মকুদা মখল কয়াগী ফ্লেবর হাপ্তুনা শেন্বা চা পুথোক্লে হায়বা পাউ অমসু সনা লৈবাক্কী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

রাজ্যপালনা মোরেদা চৎতুনা মফম অদুগী সেক্যুরিতিগী ফিভম য়েংশিনখিবা অমসুং মফম অদুগী লুচিংবশিংগা উন্নখিবগী পাউ মনিপুর মেল, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, পিপলস ক্রোনিকল অমসুং সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, তমেংলোং টাইম পাউচেশিংদা অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ষ্টেট কেবিনেটনা মনিপুর টিচর এদুকেটর সার্ভিস রুলস ফ্রেম তৌবদা য়াবা পীখ্রে হায়বা পাউনা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসকী মরুওইবা পাউ ওইরি।

রোংমৈ নাগা ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন-মনিপুর, নাগা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন চান্দেলনা তমেংলোং, নোনে অমসুং চান্দেলদা কুকি জোগী রেল্লি থিংখ্রে হায়বা পাউনা গানফিয়ু মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।